HUEIYEN LANPAO

Thursday, December 21, 2023, Imphal



# ‘মণিপুর নঙগীদমক হিংজগে শিজগে-!’

- এল ইবোমচা -

য়ূমথংনরিবা ম্যান্মার লৈবাক্তা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ২দা মিলিটরি লৈঙাক লাকখি। মিলিটরিগী লৈঙাক কিবদগী ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা ঙমখৈগী শন্বল খাদবনা মরম ওইরদুনা ম্যান্মার কুকি ময়াম অমা মণিপুরদা চেনশিল্লকই। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা সূ চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংদা অচৌবা থৌনা হাপ্পা ওইনা থোকখি। মরমদি চেল্লকখিবা মীওইশিং ম্যান্মারগী রাখাইন ষ্টেট, চিন ষ্টেট, শগাইং ষ্টেটতা লান হৌরম্বা লূপ পি দি এফকী অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা নার্কো কুকি মিলিটেন্ট ঙাক্তা ওইরম্বা অদুননি। হায়বদি মখোয়না অফবা মখলগী খূৎলায় ঙাক্তা পায়বনা মখোয়গা পূন্না মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবা দিমান্দ তালহৌরবদি মিজোরাম ষ্টেটনসু ইতুংদা ফৈগাক ফৈদুনা লেপ্লিবনা শোয়দনা ফংলগনি হায়বসিদা চেৎনা থাজনৈ। তৌবতবু ঈরাংসি মণিপুরগী মীতৈশিংদা অতম্লনা ওনশিল্লগা লান তাশিনবনা অচুম্বা থৌশিল ওইগনি হায়বসিদা তরেৎ-তরা থোক্লা মুন্না খন্নরবা মতুংদা লান্দারকপনি। হায়বদি মীতৈশিংনা ঐখোয়গী এঙলো কুকি ৱার মেমোরিএল গেট অসি মৈ থাদোক্লক্লে হায়বা মরাল অসি শীজিল্লগা চুড়াচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী লোন্নরিবা চীংয়াদা খুন্দারিবা তোর্বুংদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূমশিংদা অহানবমক্তদা মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মরম অসিননি মমাঙৌগী মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিংদগী হন্দক্কী থোক্লিবা থৌদোক অসিদনা য়াম্না হেন্না শাথীরিবসি মপানগী খূৎ য়াওবননি হায়দুনা মণিপুর মীয়ামদা নত্তনা ইন্দিয়ানা হায়দুনা লাক্লবনি।

মসিগী খুদমদি মীতৈগী য়ূমশিংদা লান্দাবা লাকপা মতমদা লুংগি শেৎপা মীতৈলোল ঙাঙদবা মীওই মশীং খঙদনা য়াওবা থেংনখিবা অদুনি। অদুনদি হন্দক্কী লানফম অসিদা মপানগী ফোর্স য়াওরে হায়বসিদি তশেং-তশেংলে। মসিগী খুদম হায়ববু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশামক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী হৌরকফম অমদি থৌদাংসি ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনি হায়না পার্লিয়ামেন্ট মনুং অমদি মপান্দা ৱা ঙাঙবদা খুদোম্বীনা থিন্দুনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ঙসিদি মণিপুরগী মীতৈশিংনা নোং হেক ঙানবগা ঙসিনা করি থোক্লগবা, ঙরাং হায়দুদি হৌখ্রে, হয়েংনা করম থোক্লগবা খন্নদুনা লৈ। ফর্ষ্ট ৱর্ল্ড ৱার, সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারকা হায়বদুবু অসুম্না তৌরমগদ্রা, ৱাতানদুনা অমা উনৈ ঙাঙনৈ, অনী উনরে ঙাঙনৈ-শক্লে। ঙসিনা কদোম মায়কৈদগী নোংমৈ, বোম, টোপ কাপথরকই, কদাইৱাইগী চীংয়াগী য়ূম-কৈশিং মৈ থাখিবা লৈ, মীওই কয়া শিরে, কয়া শোক্লে হায়না হংনবা অসিনা হেক উনবগা অহানবা ৱাহং ওইনরে। য়াম্না ঙক্লিবদি মীতৈশিংনা খোইরি নাওফম তাখিবা চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজবা লমদম অসিদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারক্লিবা অসিবুনি। হায়বদি হৌরকফম মফম খঙদবা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতগী মথং-মথং কাওর-কাওরগা তাল্লকখিবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা মীতৈদগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেমগনি হায়বগী মঙলান্দা নুমিৎ মশীং লেপ্তুনা লান্দাদুনা লৈরি। মখোয় মশানা এঙলো কুকি ৱার হায়না থোঞ্জবা মফম অমগী গেট অমা মখোয় মশানা মৈ থাদোকচরগা মরাল লৈজদ্রবা মীতৈশিংদা ওইনা তাইশিল্লগা তোর্বুং বাংলাগী য়ূমশিং মৈ থাদোকপীবতা নত্তনা মীতৈ নুপী কয়া ইকায় ফিরুক খুমহনখি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা সেরৌদা চহী ৮০ হেল্লবী ইন্দিয়াগী লৈখিদ্রবা ফ্রীদম ফাইটর অমগী লোয়নবী ওইরম্বী হনুবী অমবুনা ইমুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লগা মৈ থারগা হাৎখি। মখূৎ চল্লবা মীবু হিংনা-হিংনা মমিৎ কোৎথোকপা, তূমদুনা লৈজবা অনাবা মীবু চিংথোক্লগা মীহাৎ থীনা হাৎপা মসিবু ঙসিগী বিজ্ঞাননা খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদবু তৌফম থোকপা থবক্লা?

য়ূমদাংবনা কৈনাইবা, লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বদু চপ চানা থোক্লরে। মীতোপ্পা ইয়ুম মৈ থাররে, ইয়ুমদা লাক্লগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীরে। মীতৈশিং কিবদগী লাঞ্জেন্নরে, মরৈবাক্তা রিফ্যুজি ওইরে। মীতৈ ঐখোয় তম্পাক্কী ময়োল লম অসিদগী হেন্দোকপা য়াদ্রে। মপানগা শম্নবা নেসনল হায়ৱেশিংসু কুকিশিংগী মখূৎতা লৈখ্রে। শম্না হায়রবদা পুকচাক লন্বী মখোয়না শুপ্পায় পায়শিনখ্রে হায়বনি। মসি তশেংনা খল্লুরবদি মখোয় অসি মী ওইনা পোক্লবসু মীগী লীচৎ চত্তবা তৌবীমল খঙদবা মীনুখাং, শা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মরম অসিনা কুকি ফুরুপ অসি শাগা মান্ননা তোল্লবা মী ওইনা পোক্লুবগী মহয় য়াল্লরোইদবা মালেম লুম্ননবা পোকপা মচাশিংনি হায়বা য়ারে। হৌজিক মীতৈ ঐখোয় করি তৌবা তাই, মীৎ-নাকোং শিংনা লৈবা তাই নৎত্রবদি অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া-কয়া নংগনি। মরমদি মরীন য়াওদবগী হৌনবা লুম্লগা মীচমদা ওনশিল্লগা নোংমৈ কাপ্লমগনি, তান্নরুনি চেনখিনি ফংদনবা। মীরৎ-নারৎ য়েংলগা য়ূমদা পেট্রোল বোম অমুক লংশিল্লম্নি তান্নরুনি চেনখি ফংদনবা। হায়ৱেদা লাকপা গাড়ীশিং অমুক থৎকনি, মীতৈ মচা য়াওব্রা হংগনি, ফাননবা হোৎনরুনি চেনখিগনি লোৎখিগনি চীংগী অশুকপা শুরুং অমদা। মসিনি মীতৈ মচাশিং অসিগী অৱাবসে-!

অশেংবদি শোক্লরিবা লান অসি প্রোক্সি ৱারনি। দ্রগ লোর্দশিংনা অচৌবা শেনফম কয়া নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা থাদরগা মণিপুরগী লোইজি লোয়াগী মীতৈশিংনা তাবা খুলশিংদা ওনশিল্লগা চিফেৎ-চিফেৎ নোংমৈ কাপ-কাপ্তুনা কাইহৌবা লাননি। হায়বদি পোপি থাবা অমসুং মহৈ লোকপদা মীতৈশিংনা মীৎয়েং চংলক্তনবা লাননি। অসুম্না নোংমৈদু চিফেৎ-চিফেৎ কাপ্তুনা লান্দাদুনা লৈরবদি পোপি ফার্মদুদা মীতৈ চঙলকপা ঙমদনবা লাল্লোংনি। অমরোমদা মখোয়গী মীচংদা মশেন-মবাই থোক্লরবা অসাম রাইফলসনা লেপ্পবনিনা প্রোক্সি ৱারদা য়াম্না হৈ-শিংবসি মালেমগী মনুংদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা নম্বর ৱান তারল্লগনি। মদুগী চপ চাবা খুদম হায়ববু তোর্বুংদা সেরিকলচর দিপার্টমেন্টনা ফার্ম তৌরিবা মফম্বু তেমথোক্লগা মীতৈশিংনা হাৎখিবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগী অশিবা হকচাং মফম অদুদা পূন্না ফুমগনি হায়না থৌরাং তৌবা ঙম্মী। অদুগা মফম অদুবু কুকি হিরোশিংগী সিমিত্রি মফমনি খঙনবা লৈবাক মীয়ামগী মাংদা লাউথোক্কনি হায়বসু ঙম্মী। অদুবু মণিপুর হায় কোর্টনা পীরকপা ভর্দিক্ট অমদগী নীংবা কায়রবা কুকি মিলিটেন্টশিং তূমিন্না খক লৈতে অহিংদা ফমুংদা তূমদুনা লৈবা মীওই অহুম লুম্ফুন্দা হাৎলমখি। পূম্নমকশিং অসি অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা মখোয়গী তুংদা ফৈগাক ফৈনা মীচং চংদুনা লৈবননি। মদু নৎলমদ্রবদি নার্কো কুকি মিলিটেন্ট ১০০ খুদিংদা মীতৈ নহা ১০ খক্তংগা লাম্হেংনবদা করিসু নত্তে।

অমরোমদনা মীতৈশিংনা অসাম রাইফলসকী মথক্তা য়াম্না নুংঙাইতবা পোক্লিবদি চীংখোঙদা লৈবা মীতৈগী লৌবুকশিং বফর জোন লাউথোক্লগা লৌ উবা চঙবা য়াহন্দবা অসিনি। মসিদা ওইরে মীতৈশিংনা অসাম রাইফলসপু মৈ হৌবমখৈ শাউনরিবসে, হায়বদি পুক্তা খোঙপাক্লা কাওরকপনি হায়দুনা খন্নে। অমরোমদা বফর জোননি কনামত্তা চঙবা য়ারোই হায়রবদি চংহল্লনুদনা অদুদি নত্তে কুকিশিংনা লৌবুকশিং ফাওদুনা চঙলক্লগা মীতৈগী য়ূম মৈ থারিবা অমসুং জে সী বি শীজিন্নদুনা লৈমায় তেমথোকপদদি করিমত্তা হায়দনা য়েংলগা লৈ। অসিগুম্বা অসাম রাইফলসকী য়োংলৈ-মেল্লে নাইবগী শাজৎ অসিনা মীতৈশিং খম থেংনা ৱারৌবা পোক্লে। ফীভম অসি য়ৌরবসু মীতৈশিং থৌনা হন্থবদি লায়রদনা হেন্না-হেন্নদুম থৌনা ফবা অমসুং খোঙফম চেৎপা হেল্লকই। দেল্লী লৈঙাক্লা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগী খূত্তগী মণিপুর কন্নীংদবগী নাথৈবগী মতৌ উরবসু ঐখোয়দি ইপা-ইপুশিংনা চহী লিশীং অনীগী মমাঙদগী থন্বীরল্লবা মণিপুর কনগনি, মচেৎ তানা কায়হল্লোই হায়দুনা খূৎতুম শীংদুনা লেপ্লি। হায়বদি মশানা য়াদনা তিলহনখিবা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নম্ফুন্দা থুগায়নবা হোৎনরিবা অদুগা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরবু মচেৎ তাহল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেমগে থৌরাংলিবসি তূমদনা মঙবা মঙবনি। সনা লৈবাক ইমা ‘মণিপুর নঙগীদমক হিংজগে শিজগে-!’ হায়বা মথৌনা ফর-ফরবা মীতৈ নোংশা পাঙ্গলবশিং লৈরিঙৈদা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই হায়বসিনি। ●

# চৎনবীনা চাহৎলক্লিবা খুন্নাই

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

নীংথমথাগী ঈংবনা চিক-চিক লাওবসু হৌরক্লে, ঈংলবসু ঈংনা অয়ূক্কী ৱাকিংদি হৌজিক ফাওবদি লেপত্রি। ডাক্তরগী এদভাইস মতুংইন্না লেপ্পসিরা হায়নদি খল্লক্লবনি। ডাক্তরনা লেপ্পু হায়বমক্তি নত্তে, ঈংহনগনু হায়রকপনি অদুবু হৌজিক ফাওবদি লেপ্তুনা চৎলি। ৱাকিং চৎপসিসু ইতোমতা তরক-তরক তূমিন্না চৎপবুদি ৱাখল মান্নবা ৱারী শানবদা পাউ ফাওনবা মীওই খরা পূন্না চৎমিন্নবগী নুংঙাইবসু লৈ, অদুনা অতৈ-অতৈমক থিরুদ্রবসু মখারোমগী তা তোমালগা (অশেংবা মমিং নত্তে) হেক হেক চৎমিন্নৈ। মহাকসু মাইক্রফোনবু পায়খ্রবদি থাদোক্কন্দবা মীনি, য়েৎতা য়েৎপীরক্কনু ঙাঙজরগে হায়বা মীতানি। ঐহাক্লা তাবদা হৈনজবগা কয়াদি চানরে। তাবদবু করি মাঙজবা লৈবগে? ঐঙোন্দা অকায়ববু পীরক্তুবদি তাবনা হেন্না কান্নবা লৈ হায়নবসু লৈ, ঐনা ঙাঙলিবা অসিনা ঐনা খঙবদু ঙাক্তনি, তাগদৌরিবা অসিদা ঐনা খঙলমদবা য়াওরল্লবদি খঙহৌনবগী খুদোংচাবা অমা ফংহৌগদৌরিবনি। ঐহাক্কী ওইনদি মীনা ঙাঙবসি তারগে হায়রিবনি। ঙাঙনীংবগা তানীংবগা ঐখোয় অনীগী জুরাসি কয়াদি চানরে।

অদুবু হন্দক নোংমা নীনি অসিদি মহাক্কা থেংনখিদ্রে, কৈদৌরবজাৎনো মশাকা ঙমদ্রবরা হংলুগে খন্দুনা নহান ৱাকিং হল্লকপদা ময়ূমদা চঙলুরে। ওন্থোকপা তাঞ্জা অমা হেক থোক্লুরে, অহানবদদি মানা খরা ঙাঙগনবগা ময়ূমদা ভাষন পীথরিবোই নীংলুই, অদুবু নকশিল্লগদি মহাক্কী মমৌ অতোম্বী অদুগা মচানুপী লৈশাবী অদুগা অনীদু মীচং ওইরগা মহাক্কা খৎনবা ওইরল্লে। ইমুং-মনুং খৎনরম্বা অদুদা মখোয়না উদ্রিঙৈদা হলহৌরসিরা খল্লিঙৈদা মহাক থোরকপনা হাল্লে, চৎপা নংহৌদ্রে। থোরকপগা ঐনা লাক্লিবা অদুগী মরম হংবগী মহুত্তা মাগী ইমুংগী প্রোব্লেম ময়াম অমা মথং-মথং থিথরকই, রেদিওগী পাউ পাবদু মঙাই মরক থৎলুবকা য়াবজাৎ নত্তে। শর্ম্ম নঙ লাকপা ফরে হায়বদগী হৌরকই। ঐ নখোয়গীদা লাক্কে খন্দুনা লৈরম্লিবনি, তাঞ্জা চারে নঙদি পাউচেগো মরী লৈনবা মীনি, নঙগী কলমদুদা ফজনা অমুক্তা ইথরকউ, পুবা থাংবা ঙম্বজাৎ নৎত্রে হায়রকই।

মানা হায়নীংলিবদো করিনো হায়বা চপ চানা খঙদ্রবসু মতম অসিগী ওইবা ইবা-য়াবা আর্টিকলগী মচাক খরদি ফংলগনি হায়বদি খঙই। মমাঙদসু মতম-মতমগী ওইবা খুন্নাইসিগী প্রোব্লেম কয়া পুথোক্তুনা খন্নমিন্নখিবা লৈখ্রে। ৱারীদি খরা শাংগল্লি অদুবু মানা পুথোরকপা প্রোব্লেমশিং অসি খুন্নাইসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কা হেন্না লূম্না লৌদ্রবসু নৈনবা য়াবা ৱাফম অমদি হেক্তা ওইরম্মী। কৈদৌরবগে অয়ূক ঙন্তানা ৱাকিংকা থোরক্তবমখৈ অফং-অফং ৱাইরল্লিবসিবো হায়না হংলুবদা মাগী কাদা পুশিন্দুনা ফমহল্লগা ৱারীদু মথং-মথং লীথরকই। কৈদৌবগে ঐনা হায়বদি মমান্নবীগী লুহোংবদু চেবাউ পীরকপদগী চৎলুরে য়ারে, চাক্কৌবদুদি চৎত্রবসু য়ারে চৎলুরনু হায়বসিবু কয়া য়াম্না কায়রবগে? মদু হায় হায়বগী শাউরিবনিনে। কনানোনে চাক্কৌবা চৎলুরনু হায়বদা শাওরিবদুবু হায়না মখা তারুবদা, ‘কনা ওইনি, ইচানুপীগা ইমৌ অতোম্বীসিগা মখোয় অনী চঙদুনা অয়ূকসিদা ঐঙোন্দা এটেক তৌরল্লিবসিনিনে’। নুপীমচা অনীদুদি মখা তারমদ্রে অদুম চঙখ্রে। মমান্নবীগী চাক্কৌববু চৎচসনু কৈদৌবগে, শেল তিংবসু নত্তে হায়রুববু করি হায়বা মখোয়না চাক্কৌবা চৎপবু শেল তিংদে হায়বা? নঙদি কদাইদগী খঙগনি, খঙলোই নঙগীদি নচানুপীসু য়াওদে, নমৌশিংসু মপান্দা লৈখ্রে, লমদমসিগী হৌজিক্কী চৎনবীশিংসে অমত্তা খঙলোই হায়রকই। করিনোনে হায়রিসিবো হায়না মখা তারুবদা ‘করিগী তিংদনি, হৌজিক্কী মতমসিগী লৈশাবী মচাশিং অমদি খরা নহা ওইরিবা মৌশিংনা লুহোংবা চৎপসে ইচম চম্না চৎপা নত্তেনে, লুহোংবা চৎকদবা নুমিৎসিদি চৎকদবা পুং ২/৩ ৱাৎলিঙৈদা ইবুঙো কৌগদ্রা ইবেম্মা হায়গদ্রা হায়ফম খঙদবা মখোয় অমা অনী লাক্লগা তৈবগা-য়েকপগা তৌরিদো অরেম্বা নত্তেনে। মী অমদা লুপা লিশীং ২/৩নি হায়, মদু হোঙবু হোঙলবনি হায়। অদুনা মখোয় অনীনা লুহোংবগা চাক্কৌবগা অনীমক চৎলবদি মমায়দং য়েকপদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৫/৬তি হাজম তারেদনা, পোৎয়েংদি লুপা ৫০০দগী হেন্নসু পীরম্লোই অদুনা চাক্কৌবা বন্দ হায়রুবগীনিনে অয়ূকসিদা মখোয় অনী মীচং ওইরগা ঐঙোন্দা লান্দারল্লিবসি হায়রকই।

মতম্না পুরকপা অওনবা কনানসু থিংলুবা ঙম্লোই, খুন্নাই অসিনা ঈশিং ওইরগা মীওইবনা ঙা ওইনা হিংলিবা তাইবঙসিদা মীওইবনা খুন্নাই অসিগী চৎনবীগী মতুং ইনবদা শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপীরবদি পুবা ঙমগদ্রা হায়বদুসু খন্নফম থোকই। মেরা, হিয়াঙ্গৈদগী হৌরগা য়াওশঙ মতুং ফাওবসিদি লমদম অসিগী ওইনা নাহুৎ-নারেং, লুগুন থাংবদগী হৌরগা লুহোং-খোঙদোংবগী থৌরম য়াম্না পাঙথোক্লবা মতমনি। অতৈ মতমদসু পাঙথোক্লন্দবদি নত্তে অদুবু হায়রিবা মতম অসিদনা খরা হেল্লি হায়বনি। কুমসি চহী অসিগী ওইনসু অহোংবা লৈগদবা মান্দে, লন্বী সড়ক্তা ফৈজোম পুময়াৎ নৎত্রগা পাইজমা-কুর্টা শেৎপা মীওই কয়া গাড়ী মচা, অচৌবদা চৎনবা উরে লোয়ননা থিন-য়ৈদুনা চৎপা কয়া উবা হৌরে। ঐখোয়সু খুন্নাই অসিগী মনুংদা লৈরুবনা লৈথোক্লুবা য়াদে, মরী-মতা, খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং কয়াগী থৌরমগী চেবাউ ফংই। থবান ফবা নুমিৎতদি নোংমদা চেবাউ ৩/৪গী মথক্তা ফংবসু য়াওই। ঐ খক্তগী ৱা নত্তে, মীপূম খুদিংমক্কীনি মদু পূম্নমক নংনবা হোৎনবদা অৱাবগী মশক্লি।

চুরা করন, লুগুন থাংবা নৎত্রগা মপাম চাক্কৌবগুম্বা চাক য়াওবা থৌরমদনা অমুক্তা হেন্না খুদোং চাদে। চাক য়াওবা থৌরমশিং ফাংনরকপদা মফম খুদিংমক্তা চাক চাবমক য়াওরুদ্রবসু চৎতুনা ঈশৈদা শেল থাবগা লোয়ননা পোৎয়েং পীরুনবা হোৎনবদা অৱাবগী মশক্লি। থৌরমশিং অদু নংনবা চৎপগী অৱাবদুনা খরবু ফৈ, নীংথমথা ওইজরবসু হুমাং কাংলিবসি থুংনবা চৎলগা শেল য়েনবদুনি। মমাঙঙৈদদি দেব-কর্ম্মদা শেল থাবসি কম্পলসরি ওইরমদে (হৌজিকসু কম্পলসরিবুদি নত্তে) থানীংবা মীওইশিংনা থানরম্মী, মদুসু পালা থুংনবা থাবগী চৎনবী লৈরমদে। ময়ায় লেপ্পা পুঙ য়ৈবা, ঈশৈ হনবা অতৈ পালাশিংদি ঈশৈবু খুমদ্রবদি শেল থানরমদে। অদুবু হৌজিক্তি মদু চৎনদ্রে, ঈশৈ য়াওবা থৌরম অমা চৎলবদি পোৎয়েং শেলগী মথক্তা সঙ্কীর্ত্তন চঙদুনা পালা খুদিংমক থুংনবা শেল থাবা হায়বসি কম্পলসরি ওইদ্রবসু তৌদবা য়াদ্রবা অমগুম্না লৌনরক্লে।

হৌজিক্কী মতমদদি সঙ্কীর্ত্তনগী সাইজদি পীকশিল্লক্লে, অফবা খোঙথাংনি, লুহোংবদা ফমশক ওইরগনা মীওই ৩ লেপ্পগনা ৬তগী কয়া হেন্নদ্রে। পালা মশীং হন্থরকপনা সঙ্কীর্ত্তনগী মগুণ হন্থবা নৎত্রগা তৌহৈবা-তৌহৈদবগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা চেবাউ ফংদুনা লাক্লিবা মীওইশিংগী ওইনদি খরমখৈদি শাফরে হায়বা য়াই। অদুবু লুরিবদি পালা মশীংদা ২/৩ খক হন্থরগা মমাঙদা থোঙ্গ্রাই চনবা য়াদবমখৈ কূক-কূক ইন্ননা ফল্লিবা ভাবোকশিং থুংনবা শেল য়েনবগী চৎনবী অমা লমদম অসিগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা চৎনরক্লিবা অসিনি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি ঙাক্লবা হোৎনবদা দেব-কর্ম্মগী সিজন মতমদা নোংমদা চেবাউ ৩/৪ ফংলবদি পোৎয়েং শেলগা লোয়ননা শেন্থা ফিথাদা লুপা লিশীং ৩/৪দি অদুম চৎলে। অদুনা থাগী তোলোপ চাবশিংগীনা তোলোপনা শিন্নবা কোন্নদবা অদুগা তোলোপ চাদবা কাঙবুগীনা নুপী অঙাংগী সনা-লুপাদা তাইনরকপনা ফেমিলি অয়াম্বদা প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম ঙাক্তনি।

লমদম অসিদা পাঙথোক্লরিবা দেব-কর্ম্মদা নুপানা চৎপবুদি নুপীনা চৎপনা খরচ খরা হন্থবসু লৈ। মখোয়না চৎলবদি ঈশৈদা শেল থাদ্রবসু য়ারে, থারবসু মমাঙদা ফম্বা ভাবোক খুদিংমক্তা শেল য়েনবদি মীওই খরা নত্তনা অয়াম্বনা তৌনদে। অদুনা ঙসিদি দেব-কর্ম্মদা নুপাগী মশীংদগী নুপীগী মশীংনা হেল্লক্লে। অদুবু লুহোংবা নৎত্রগা চাক্কৌবদা লাক্লিবা লৈশাবীশিং অমদি নহা ওইরিবা মৌশিংদি পালাদা শেল থাদ্রবসু ভাবোক্তা শেল য়েন্দ্রবসু পোৎয়েং শেলগী মথক্তা থৌরম অদু চৎনবা কেবদা অচৌবা শেনফম অমা খরচ তৌনরকপনা নিঙোল পোকপা মমা-মপাশিংগী অচৌবা পোৎলূম অমা ওইরক্লে। অদুনা ওইরল্লে তা তোমালনা মচানুপী অমসুং মমৌবু চাক্কৌবা চৎপদা থিংলল্লিবা অসি। লৈশাবীশিং অমসুং মৌশিংবু দেব-কর্ম্ম চৎপদা অথিংবা থম্বসু অচুম্বা থৌওং ওইরোই অদুনা লৈশাবীশিংনা কেবদা থাদরিবা শেনফম অমসুং নুপা নহাশিংনা শেল থাবদা মমাঙদা ফম্বা ভাবোক থুংনবা শেল য়েনবগী চৎনবী অসি থিংলুবমক য়াদ্রবসু মশা-মশাগী ইনকম অমসুং কেপাসিটিগী মতুংইন্না শেমদোকপগী মথৌ তারে। মদু নত্তনা চৎনবীগী মিংদা ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা নুপী অঙাংগী লিক-কোন বন্ধান থমদুনা দেব-কর্ম্ম চৎনরক্লবদি ইমুংদা অচৌবা লাঞ্জাও অমা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ●

# সিংদা দাম চেকশিন্না ঙাক্কদৌবনি

## (সিংদা তুরেল হৌরকফমগী অকোয়বদা লাম্মৈ থাবা, চীংমাই কোকথোক্তুনা অনৌবা খুল তাশিল্লকপদগী সিংদা দামগী ঈশিংগী ঈমাই হন্থরক্লিবনি)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নেসনল প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন প্রোগ্রামগী অখন্নবা থৌরাং মখাদা লুপা লিশীং ৬৮১৪,০০ ক্রোর চংনা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৫দগী সিংদা দাম শাবা হৌরগা কুমজা ১৯৯৫দা শাবা লোইখিবনি। হৌরকপা মতমদা সিংদা তুরেলগী ঈশিং ঈচেল নাইরম্মী, য়াম্না লুরম্মী, দামগী ঈমাই চোন্না নিক-নিক লাওনা ফজরম্মী। লম কোয়বা লাকপশিংনা খোইদানা য়েংনফম ওইরম্বগা লোয়ননা অর্থ দাম অসিগী কান্নবা চপ চানা ফংলম্মী। শঙ্গারবা মতুং চহী ১৫ মুক লৈরবা মতুং চাউরাক্লা কুমজা ২০১০ মতুংদগী ঈশিং ঈমাই অসুম অসুম হন্থরক্লে (লমকোয়বশিংনা ঈশিং ঈমাই য়াম্না হন্থরে, য়েংবদা পেন্নীংঙাই ওইদ্রে) হায়নদুনা লাক্লবনি। কুমগী নোং চুরকপা/চুরক্তবগী মখা য়াম্না পোল্লবসু উমং কোকথোকপা, লাম্মৈ থাবা অমসুং অনৌবা খুন্দারকপশিংনা চীংমাই কোকথোকখিবদগী নাকোয়ননা ওইরকখিবা সিংদা দামগী ফীভমনি। মণিপুর লৈঙাক্লা দাম অসিগী মনুং হঞ্জিনবা শরুকশিংদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা এৱ্যেনের্নেস মতম চানা পীহৌদ্রবদি দাম অসি শোয়দনা চহী খরগী মনুংদা কংখ্রগনি। কেটসমেন্ট এরিয়াদা খুন্দারিবা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা উ মরাং কায়না থাজিনবা, চীংমাই মরূ কোকথোকপা থিংবা, লাম্মৈ থাবনচিংবা তৌরিবশিংদা অকনবা এক্সন মতম চানা লৈঙাক্লা লৌখৎকদৌবনি।

সিংদা দাম অসিগী মরাইবক্তি খারম, ৱাইফৈ অমসুং ইরেং (হায়না লোকল মীয়াম্না খঙনবা) য়াইমরপ চাউবা লোকশিং অমসুং অতোপ্পা লোক মচা-মচাশিংনা চেন্থরক্লগা সিংদা তুরেলদা তিল্লবনি। মহৌশাদগী লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা লোক্কী ঈশিংনা সিংদাদা তারক্লগা মফমদুদা লৈবাক্লা মিটর ৪৯০ শাংনা থোনগৎলগা মিটর ৬০ ৱাংনা থোনগৎতুনা সিংদা দাম অসি শেমখিবনি। ১৮:১৬ এম এল দি (মিলিয়ন লিটর পর দে) অসি নুমিৎ খুদিংগী ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা মথৌ তারিবনি। হৌগৎলকপা মতমদদি মথৌ তাবগী চাংদু ইরায় লায়না পীবা ঙল্লম্মী অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০২০-২১দগী ৯:১৫ এম এল দি খক্তমক রোষ্টর সিষ্টমদা থাদোক্লিবনি। অসুম্না দাম অসিগী ঈশিংগী ঈমাই য়াম্না হন্থখিদুনা কুমজা ২০২১-২২দদি ৭:০০ এম এল দি ফাওবা পুথোকপা ঙমদদুনা হাপ্তা-হাপ্তাগী ওইনা রোষ্টর সিষ্টমদা ইম্ফাল অমসুং অকোয়বদা য়েন্নদুনা শীজিন্নরিবনি। অসুম্না হৌখিবা কুমজা ২০২২-২৩গী হৌরকপদগী অসুক্কী মতিক সিংদা দামগী ফীভম শোকখিবদুনা হন্দক্কী নোংজুথাদদি খজিক্তং ফীভম ফগৎলকখি। হৌজিক অমুক নোংজুথা লোইখ্রবনিনা করম থোক্লগদৌবা তম্বা ঙমদ্রিবা ফীভমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১০গী জুন-জুলাইদা হায়দরবাদ সহরদা চৎলুবদা খূৎশেমগী পাৎ ৫:৭ (স্কৱার কিলোমিটর) পাক চাওবা হুসেন সাগর হায়না খঙনরবা পাৎ অমা উরকখি। কালি কুটব শাহনা কুমজা ১৫৬৩দা মুসি তুরেলগী ঈচেলগী মতুংইন্না খূৎশেমগী পাৎ অসি শেমখিবনি। খূৎশেমগী পাৎ অসিদা লমকোয়বশিংনা মোটোর বোট, জহাজ মচা-মচাশিংদা কোয়বা, জহাজ মনুংদা চাবা-থকপনচিংবা পূম্নমক তৌরম্মী। অয়ূক পুং ৮দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা মীনা পীক থল্লিবনি। খূৎশেমগী পাৎতুগী ময়ায়দা গৌতম বুদ্ধগী মীতম অমা নুংঙৌনা শাদুনা (নুমিদাংদা মৈ ঙান্না থান্দুনা) লৈরিবদুগী অকোয়বদা কোয়রুরগা অমুক পন্থুংফমদা হল্লক্কদৌরিবনি। কুমজা ২০১২গী দিসেম্বরদা অমুক হন্না চৎলুবা মতমদা খূৎশেমগী পাৎতুগী ঈশিংদু পুল্লদুনা মনম নমথীরল্লে। মীনা চিক্ন-চাইনবা ঙমদনা তিল্লম্বা মফমদু মদোম তরক তূমিন্না লৈহৌরি, মী অমত্তা তিলহৌদ্রে। করম্না করি মরমদগী ঈশিং পুল্লিবনো হায়বদু লৈঙাক্কী অখন্নবা মীওই কাঙলূপ থাদুনা থিজিনগদৌবনি। ঐখোয়গীসু শাবা হৌরক্লবনিনা য়াম্নমক থিজিনহৌবা তঙাইফদবনি।

হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্লা লম্ফেলপাৎতা ৱাটর বোদি অমা পায়খৎলিবনি। থৌরাং অসিনা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা মথৌ তাবা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং পীননবা থৌশিল অমা ওইরক্কদৌরিবনি। লোয়ননা লম কোয়বশিংনা পাম্নরবা ফজরবা মফম অমা ওইনা শেমগৎকদৌরিবনি। ঐনা কুমজা ২০১৩গী সেপ্টেম্বরদা ভোপালগী ‘সিটি ওফ লেক্স’ (৩৬:১ স্কৱার কিলোমিটর পাক চাওবা) ভোজ নিংথৌ (১০০৫-১০৫৫) না পাল্লিঙৈদা মীনা তৌদুনা শেমখিবা পাৎনি। অসিগুল্লবা মহৌশাগী পাৎ অসি তপ্না-তপ্না কংশিল্লকপদগী ভোজ নিংথৌনা লুথনা তৌথদুনা ভোপালদা খুদোল তৌরম্বদগী নিংথৌ অসিগী থাওশাং পায়বা মীতম অচৌবা অমা খিন্দুনা হৌজিক্তা ইকায়খুম্নবা উৎলিবনি। অসুম্না খূৎশেমগী পাৎ অসিদগী অকোয়বগী মীওইশিংনা খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংবগা লোয়ননা নোংমদা চাউরাক্লা (৪৫:২০দগী ৫০:০০) ফাওবগী এম এল দি (মিলিয়ন লিটর পর দে) ঈশিং চীংখত্তুনা কান্নবা পীরিবনি। ঐখোয়গী লম্ফেলপাৎকী ঈশিং য়োকফমসিসু ঙল্লিবমখৈ পাক চাউনা হেক ঙল্লিবমখৈ য়াম্না লুথনা তৌথহৌরবদি তুংদা য়াম্না কান্নরক্কনি। নোংজুথাদা ঈশিং য়োকশিলহৌরগা ঈকংথাদা লম্ফেলপাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা চীংথক্কী শরুক্তা চিংখত্তুনা ৱাটর রিজার্ভর কয়ামরুম থমদুনা ৱাটর ত্রিটমেন্ট নিংথিনা তৌরগা ইম্ফাল মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মফম পূম্নমক্তা থক্লবা ঈশিং ফংহনবা ঙমগনি। লোয়ননা নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা সিংদা দামগী মতেং খরদং ওইরবসু পাংবা ঙমগদৌরিবনি।

মহৌশা লাইরেম্বীনা সিংদাগী ঈশিং অসি কদাংবন্দ ফাওরল্লগা ইরোইশেম্বা চীংজিন্দা তারক্লগা নম্বুল তুরেলগী ঈচেলদা তিল্লরিবনি। হৌজিক্তি মীশিং য়ামখৎলকপদগী য়ূমথোঙ খুদিংগী ফত্ত-হৌদিশিং থাদরক্তুনা নম্বুল তুরেলগী ঈশিং ঈচেলদা তিল্লবদগী নম্বুল তুরেলগী ফীভম ওন্থোক্লা শাথীনা শোকচিল্লীবনি। লৈঙাক্লা ইরম নালাগী অমোৎপা ঈশিং তোঙান্না তোর্ব্বানগী নাকল অনীমক্তা পাইপ তিংদুনা পুননবা অমসুং নম্বুল তুরেলগী ঈশিংদা তাহন্দনবা থৌরাং পায়খৎলি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা খুমাঙ য়াঙশিন্দুনা সহরদা খুন্দারিবা লৈরক-কোন্সাংগী নালাদগী থাদরক্লিবা ফত্তবা মচুম পূম্নমক তোঙান্না পাইপ তিংদুনা তোর্ব্বান মনুংদা পুথখ্রগা নেচরেলগী ঈশিংনা নম্বুল তুরেলগী ঈশিং ঈচেল ওইরক্লবদি তোর্ব্বানগী মফম চাবা অপাকপা মফম খন্দুনা তুরেলগী ঈশিং চিংখত্তুনা ৱাটর ত্রিটমেন্ট নিংথিনা তৌরগা রিজার্ভর মরাং কায়না শেমদুনা মীয়ামদা ফংহনগদবনি। লৈঙাক্লা থৌরাং পায়খৎলিবশিং ক্কালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা খুমাং য়াঙশিন্না পায়খৎনবা হোৎনবীয়ু।

হৌজিক থা ৮ চংলক্লবা কুকি অমসুং মীতৈ/মৈতৈগী মরক্তা চথুরক্লিবা কম্যুনিতিগী লান অসিদা সিংদা কদাংবন্দগী লানফম অসিসু অমনি। মণিপুরগী মথৌ ফজনা তৌদ্রবা মণিপুর স্পিনিং মিলগী চাউখ্রবা মফমদুদা আই আর বিগী বট্টালিয়ন হাংদুনা খুল অসিগী অকোয়বদা ঙাক শেল্লিবনি। কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা তত্তনা খূৎ থোক্লরিবনি। অসুম্না হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা সিংদা দামগী ঈশিংদা কুকি কম্যুনিতি ওইরমগনি চিংনবশিংনা ‘হু’ থাদরক্লে হায়না পাউচেদা হাপ্নখ্রিবদুনি। লোয়ননা লমদম অদোমদা ঙাইহাক লৈতনা খূৎ থোক্লদুনা লমখৈ মুন্ননবগী লান্দা চথুরক্লিবনি। মীতৈশিংনা মহৌশাগী লমখৈ মাঙখিদনবা লমখৈ ঙাক্লিবনি। অসুম্না মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু, খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনা মতম কুইরকপদগী অৱাৎপা কোঙ্গাই য়াওরকপদগী অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়রিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মখূত্তা সিংদা দাম তাখিদনবা অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনগদবনি। সিংদা দামগী ঈশিং পীদুনা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা শীজিন্নরিবনি, লৈঙাক্কী ভি আই পি/মিনিষ্টর পূম্নমক্কী ক্বার্টরশিংদা ঈশিং য়ৌহল্লিবনি। সিংদা দাম অসি ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবশিংগী থৱায়মক্লি হায়নরিবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটি অসিগী মথক্তা অহেনবা সিক্যুরিটি মতিক চানা থাজিন্দুনা অনৌবা য়াম্না সোফিষ্টিকেটেদ ওইবা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়হন্দুনা লৈঙাক অমগী মতিং অদুমক ফূদোক্কদবনি। সিংদা দাম অসি ঙাক শেনগদৌবনি। সিংদা দাম চেকশিন্না ঙাক্কদৌবনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১) **‘‘মসিদা নূংশিং অসি করম্বা মখলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি।’’** অসুম্না তাক্লিবা লাইরিক অসি করি লাইরিক্নো?

২) **‘‘এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স’’** হায়না মিংথোল্লবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **‘‘অদুঙৈগী থাবল্লে’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **‘‘হে অথৌবা!**
**মীতৈ লৈমগী মপারি**
**নীংবা কায়রবা মীওইশিংবু**
**নৌনা থৱায় হাপ্পিরম্বা...।।’’**
শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) **‘‘কংনাইদ্রবা ফিজি’’** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।